# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 03-09-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী খোংশাং রেলৱে ষ্টেসন মনাক্তা চীং নীংখায়বনা মরম ওইদুনা হৌজিক লম্বী ফাওনদ্রে।

২) মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চখরি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিনা সেমি কন্দক্তরগী ইকো সিষ্টেম শেমগৎনবা কন্না থবক পায়খৎলি।

------

নোনে (এল)ঃ নোনে জিলাগী নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী খোংশাং রেলৱে ষ্টেসন মনাক্তা চীং নীংখায়বনা মরম ওইদুনা হৌজিক লম্বী ফাওনদ্রে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী অগুই কামৈনা হায়- মসিনা মরম ওইদুনা জিরিবামলোমদগী লাকপা পোৎ থন্না য়াওবা গাড়িশিং পনদুনা লৈরে। ঙরাং নুমিদাং মফম অদুদা চীং লৈবাক কিন্থরকপদগী লম্বী ফাওনখিদবনি। লম্বী অসি গাড়ি ফাওনবা য়ানবা শেমজিনবদা নুমিৎ খরনি চংলবা য়াই হায়না পানরি।

পুলিস (এল)ঃ মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চখুরি।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- নিয়মগী ৱাংমদা গাড়ি থৌবশিং ফাগৎতুনা চলান ৩৪ ককখি, পুন্না লুপা লিশিং ৬২,৫০০ খোমগৎখি। গাড়ি ৯ দা নপ্লন্বা টিন্তেদ ফিলমশিং লৌথোকখি।

য়ুঙাং লিতর লিশিং ১,৮০০ পুদুনা চৎলন্বা মীওই অহুম গাড়িগা কোন্ননা ফাগৎখ্রে। ফাগৎলবা মীওই অহুম অদু তমেংলোং জিলাদগীনি। মখোয়না পুরন্বা য়ুঙাংশিং অদু মাকলং এরিয়াদগী পুলিসনা ফাগৎখিবনি। ফাগৎলবা য়ুঙাংশিং অদু পুরন্বা গাড়ি অদুগা কোন্ননা এক্সাসজ দিপার্টমেন্টতা মখা তাবা থবক লৌখৎনবগীদমক শিন্নখ্রে।

নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ পুবা গাড়ি ১৩০ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে। লম্বী অসিদা অশোই অঙাম য়াওদনা গাড়ি চৎথোক চৎশিন য়াহন্নবা অকনবা ঙাকশেলগী থৌরাং পায়খৎলি।

মেমোরেন্দম (এল)ঃ মণিপুরগী লোকেল বোদিশিং অমসুং এ.দি.সিগী মীখল থা ৬ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোকবা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরনা খঙহনখিবগী মতুংইন্না এ.দি.সিগী মীখল পাঙথোকবা অথুবা মতমদা থবক লৌখৎপীনবা এক্স-এ.দি.সি মেম্বরস ফোরম ওফ মণিপুরগী কনভিনর আর.এস. ঙরানচুইনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা রাজ্যগী ট্রাইবেল এফ্যারস এন্দ হিলসকী এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেটরিগা ডন্নদুনা ৱাফম কয়া তকশিনখ্রে।

রাজ্য অসিগী চীংগী মফমশিংদা এ.দি.সিগী মীখল পাঙথোক্তনা লৈরিবা অসিগা মরী লৈননা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি। চীংগী মফমশিংদা এ.দি.সিগী মীখল পাঙথোক্তনা লৈবনা মরম ওইদুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তা অকায়বা কয়া থোকহল্লে হায়বা ৱাফম মেমোরেন্দম অদুদা পল্লি। চীংগী জিলাশিংদা এ.দি.সিগী মীখল পাঙথোকবগী মতাংদা অথুবা মতমদা থবক লৌখৎকনি হায়বগী থাজবা

এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেতরিনা পীরকখি হায়রি। পনবা য়াই, ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মতম ইং ২০২০ গী নবেম্বরদা লোইখ্রবনি।

মিজোরম ঃ ড্রগ পুথোক পুশিন তৌবা অমসুং ড্রগ শিজিন্নবা থিংনবা মিজোরম সরকারনা রাজ্য পুম্বদা অকনবা কেম্পেন চথেরি। কেম্পেন অসি দিসেম্বর থা ফাওবা লেপ্তুনা চথগনি হায়রি। পুলিস পার্সোনেল ৩০ য়াওনা ড্রক লল্লোনবা থিংবা অমসুং ফাগৎপগী থবক অকনবা মওংদা চথগনি। টিম অসিদা য়ং মিজো এসোসিয়েসন, কম্যুনিতি লিদরশিং অমসুং লম অসিদা থবক তৌরিবা তোঙান তোঙানবা এজেন্সিশিংগী মীওইশিং য়াওরি।

কেম্পেন অসি মরুওইনা ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিং অমসুং মিজোরমগা অতৈ রাজ্যশিংগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংশিংদা মরুওইনা চথগনি। মিজোরমগী গহ মন্ত্রি কে. সবদংগানা হায়- ড্রগ লান্না শিজিন্নবা অমসুং পুথোক পুশিন তৌবা অসিনা সমাজদা অচৌবা চৈথেং পীরি। মসিবু থিংহৌবা হায়বসি রাজ্য সরকারগী পান্দমনি। সরকারনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংনসু মতেং পাংবীনবা মহাকা আপীল তৌরি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিনা সেমি কন্দক্তরগী ইকো সিষ্টেম শেমগৎনবা কন্না থবক পায়খৎলি। মসিনা ভারত অসি মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংগা সেমি কন্দক্তরগী লমদা নিংথিনা চাংদমবা ঙম্লগনি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং সেমিকোন ইন্দিয়া ২০২৫ হৌদোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মালেমগী ওইনা সেমি কন্দক্তরগী কৈথেলগী মশিং হেনগৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা ভারতসু মসিদা মপুং ফানা য়াওশিনবা ঙম্লগনি। লৈবাক অসি হৌজিক্তি টেকোলোজিগী লমদা নিংথিনা খুমাং চাওশিনহনবা ঙমলে। মীপাল তাংদনা মশাগী পোথোক কয়া পুথোকচবা ঙমলে। মালেমগী লৈবাক কয়ানা হৌজিক্তি ভারতপু থাজবগী চাং নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি।

মালেম অসিনা ভারতকা লোয়ননা সেমি কন্দক্তরগী ইকো সিষ্টেম অমা শেমগৎনবা অকনবা মীৎয়েং থমরক্লি।

সিঙ্গাপুর ঃ   সিঙ্গাপুরগী প্রধান মন্ত্রি লোরেন্স ৱোং নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা ঙরাং নিউ দিল্লিদা থুংলরে।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং সিঙ্গাপুরগী প্রধান মন্ত্রিগা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা নিউ দিল্লিদা ঙসি উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নগনি। শ্রী লোরেন্সনা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগসু উন্নগনি।

ভারত অমসুং সিঙ্গাপুরগা কুতনিতিগী মরী থমরকপগী চহি ৬০ শুবা থৌরমগা ফংজিন্নবা অসিনা প্রধান মন্ত্রি লোরেন্স ৱোংনা লৈবাক অসিদা লাকপা অসি য়ামা আর্থ লৈ অমসুং মসিনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়রি।

আফগানিস্তান ঃ   নোংপোক থংবা আফগানিস্তানদগী শরুক্তা য়ুহার হাবদা শিবা মীগী মশিং লিশিং ১,৪০০ হেনখ্রে। মীওই কয়া অমা অশোক অপন নংলে। হৌজিক মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক অকনবা মওংদা চখরি। মফম অদুদা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা রিক্তর স্কেলদা ৬ য়ৌনা য়ুহার হাখি। য়ুহার হাবা অদুনা মরম ওইদুনা য়ুম-কৈ অমদি অতৈ ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া অতেক অকায় থোকপদগী মীওই কয়া লৈফম লৈত্রে। কা হেন্না শোকপা মীগী মশিং য়াম্বনা মরম ওইদুনা শিবগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়রি।

আফগানিস্তানদা য়ুহার হাবনা মরম ওইদুনা অমাং অতা থোকখিবা অদু য়েংলগা ভারতনা চান থকবা য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং তেংবাং পীখ্রে। তেংবাং পীখিবা পোৎলমশিংগী মনুং ব্লাঙ্কেট, টেন্ট, ঈশিং হাপবা পাত্র, কোল-লিক, হিদাক লাংথক অমদি অতৈ চান-থকবা পোৎলমশিংনি।

মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা হায়- হৌজিক ওইরিবা ফিভম অদু য়েংলগা মখা তানা তেংবাংগী পোৎলমশিং পীননবা হোৎনগনি।

নেপাল ঃ  নেপাল অমসুং ভুতানগী নাগরিকশিংনা ভারত্তা লাকপদা পাসপোর্ট নত্রগা ভিজা য়াওদ্রবসু য়াগনি হায়রি। ইম্মিগ্রেসন এন্দ ফোরেন্নরস একজেমসন ওর্দর ২০২৫ গা মরী লৈননা হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদগী লাকপা মীওইশিংদা অখন্নবা হিরম খরদা কোমথোক্লে হায়না কেন্দ্রগী হোম এফ্যারস মন্ত্রালয়না চেরোল অমদা খঙহল্লি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পি.এম. লাক্ত্রিঙৈ মাংওইননা অনৌবা লৈঙাক শেমনবা থৌরাং তৌগদৌরি, গভর্নর আজয় কুমার ভল্লা নরেন্দ্র মোদি উননবা দিল্লিদা চৎখ্রে, অনৌবা লৈঙাক শেমবা এম.এল.এশিং পুনশিন্নদুনা ৱা তান্নবা হৌখ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পঞ্চায়ট মীখল পাঙথোক্তুনা খুঙ্গংগী মীয়ামগী হক মপুং ফানা ফংহনবীয়ু-এদহোক কমিতি হায়বা অমা পোকফমদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুর হাই কোর্টকী অৱাৎপা জজশিং হাপবা তকশিনখ্রে হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ওফিসিয়েল দোক্কুমেন্টশিংদা হিন্দি লোল শিজিন্ননবা য়ুনিভর্সিতি অসিগী রেজিষ্ট্রারনা ওর্দর থোকখিবগী পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

কুকি লালহৌলুপ খরগা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যারসকী মীহুৎশিংগা ৱারী শান্নগদৌরি হায়বা পাড অমা সনালৈবাক পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি দ চমদসু হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

কামজোংদা ৱেথ লিফতিং টেলেন্ট হন্ট পাঙথোকখিবগী পাউ অমা মণিপুর মেলদা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

দেঙ্গুগী কেস হেনগৎলক্লি, অদুমকপু ষ্টেট পোলিসিদি শেমদ্রি হায়বা পাউ অমা পিপলস ক্রোনিকলদা এনকর কলমদা ফোংলি।

হাই কোর্ট ওফ মণিপুরদা কেস লিশিং ৫,৫০০ গী মথক্তা পেন্দিং লৈরে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- রাতুং এফ.সিনা সুপির দিভিজন দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল লিগকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

এক্স এ.দি.সি ফোরম মণিপুরনা রাজ্য সরকারদা পাঙথোক্তনা লৈরিবা এ.দি.সি ইলেক্সন পাঙথোকবা তকশিনখিবগী পাউ অমা গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- মণিপুরদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদি লাক্কনি হায়না শেম শাবগী পাউ অমা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

চিংননিঙাই ওইবা মওংদা মহৈরোই ৭০ নারকপদগী তেংনৌপল জিলাগী স্কুল অমা ছুতি থাদোকখ্রে হায়বা পাউ অমা মোর্নিং বেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------